# কেবিন্দা কার্বোন মোনোক্সাইদ লিক ওইখিবদগী জর্মনৱিংস কায়খিবনি : পাইলোটকী অপোকপা

বর্লিন, মার্চ ২৪ :

ফ্রেঞ্চ আলপসতা জর্মনৱিংস অমা কায়খিবা শাথিরবা থৌদোক্কী মতুং চহী ২ মপুং ফারকপা ইরাই নুমিৎতা কো-পাইলোট এন্দ্রীজ লুবিটসকী অপোকপনা মহাক্কী মচানুপানা প্লেন অদু চীংজাউ অদুদা অতম্নবা কায়হনখিবনি হায়বা ৱাফমবু য়েৎলদুনা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লগনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা মীওই ১৫০ গী পুন্সি লোমহনখিবা দিজাষ্টর অদু থোকখিবদগী লুবিটসকী ইমুংগী মীওই অমনা পীরক্লিবা পাউজেল অমসুং অহানবা পব্লিক এপিয়ারেন্সকী মতম অনীমকপু ভিক্টিমশিংগী ইমুংশিংনা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। ইমুংশিং অদুনা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুগী নিংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

কায়খিবা প্লেনদুগী কো-পাইলোট ওইখিবা মশাগী চহী ২৭ শুরবা লুবিটস সুইসাইদ তৌনিংবগী ৱাখল চেনবা মীশকনি অমসুং মাঙ-তাক্লি ংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুগী রেস্পোন্সিবিলিটি মহাক্না পুফম থোকই হায়বা ৱারোইশিন পীবগা





লোয়ননা জর্মন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হৌখিবা জানুৱারীদা মখোয়গী ইনভেষ্টিগেসন থুপচিনখি।

হৌজিক চহী ৬৩ শুরবা মহাক্কী অপোকপা গুইন্টর লুবিটসনা মশানা থিজিঞ্জবদগী ফংলকখিবশিংদু পাউমীশিংদা খঙহল্লগনি। মদুদা জর্নেলিষ্ট টিম ভান নেভরননা মতেং পাংগনি।

জর্নেলিষ্ট অসিবু লুবিটসনা 'মালেম পুম্বনা শকখঙলবা এরোস্পেস এক্সপার্ট অমনি' হায়না ফোঙদোকখি।

'হৌজিক ফাওবদা মীপুম খুদিংমক্ন । মতম শাংনা ৱাখল নুংঙাইরক্ত্রবা কো-পাইলোট অমনা মহাক্কী প্লেন অদু মাঙজৌননা থৌরাংখিবা থৌওং অমদা অতম্নবা চীংজাউ নাপোম অমদা য়ৈশিন্দুনা কায়হনখিবনি হায়বা ঠিওরি অসিদা থাজনদুনা লাকখি। মসি লাল্লি হায়বসি ঐখোয়না চপ চানা খঙই' হায়না কো-পাইলোট অদুগী অপোকপনা প্রেস রিলিজ অমদা হায়খি।

নুংতিগী ফোংবা জর্মন পাউচে ফ্রাঙ্কফর্টর অলজিমাইন জৈটুংনা হায়খি মদুদি, মীওই অনী অদুনা হৌজিক প্লেনদুনা কায়বা মতমদুদা মদুগী কন্ট্রোলসতা লৈখিবা অমত্তা ঙাইরবা মীশক ওইখিবা কো-পাইলোট অদু কেবিনদা কার্বোর্ন মোনোক্সাইদ লিক ওইবদগী মহাক্কী ৱাখল পুন্বা মাংখি (অনকোন্সস ওইখি) হায়বা ঠিওরি অসি পাউমীশিংগী খুথাংদা মীয়ামদা খুদোল তৌরগনি।

'কো-পাইলোট ওইখিবা মহাক্কী মচানুপাদু য়াম্না রেস্পোন্সিবল ওইবা মীশক অমনি' হায়না ফোঙদোক্লদুনা লুবিটস সিনিয়রনা ন্যুজ ৱিক্লি দাই জৈইটতা হায়খি মদুদি, মথন্তা শিনিংবগী ৱাখল চেনবা নৎত্রগা কোল্ড-ব্লদেদ কিলর অমগী শক্তম অসি মহাক্না খঙলিবা মীশক্তুগা চূশিন্নদে।

'ঐখোয়গী ইচানুপাদু য়াম্না রেস্পোন্সিবল ওইবা মীশক অমা ওইখি। মঙোন্দা সুইসাইদ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌনবগী মরম লৈখিদে অমসুং তশেংনমক মহাক মরাল লৈজদ্রবা অতোপ্পা মীওই ১৪৯ মহাক্না শিবদা লোয়নখ্রগে খনগদবা মীওই অমা নত্তে' হায়না লুবিটস সিনিয়রনা হায়খি।

মহাক্না ইনভেষ্টিগেটরশিং য়াম্না থৌশাদনা থবক তৌখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা অচৌবা প্রোব অমা পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

'মখোয়না য়েংশিনখিদবা পোৎ কয়া লৈখি, মদুগী মরমদি মখোয়না পোৎশিংদুবু য়েংশিনবা পাল্লমদবা য়াই' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# চাইনাদা চহী খুদিংগী টি বিগী কেস ৯০০,০০০ রেজিষ্টর তৌরি

বৈজিং, মার্চ ২৪ :

চাইনাদা হৌখিবা কুমজা ২০১১ দগী ট্যুবরক্যুলোসিসকী কেসশিং হন্থরকপগী ফীভম লৈজরবসু চহী খুদিংগী লায়না অসিগী অনৌবা কেস ৯০০,০০০ রোম রেজিষ্টর তৌদুনা লৈবাক অসি লায়নাসিনা নাবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক ৩০ গী মনুং চন্না লৈরি হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা বৈজিংদা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল হেল্থ এন্দ ফেমিলি প্লান্নিং কম্মিসন্না হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কীঅরোইবদা চাইনাগী মীওই ১০০,০০০ খুদিংগী মীওই ৬৫ ট্যুবরক্যুলোসিসনা শোকহনখি। হৌখিবা চহী ৬ অসিদা চাইনাদা টি বিগী কেস চাদা ১৪ গী চাংদা হন্থরকখ্রবসু ফিগর অসি ৱাংলি হায়না এক্সপার্টশিংনা খন্নে হায়না চাইনা দেলিনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি। চাইনানা মথংগী চহী খরসিদা টি বি লায়না থিংনবা অমসুং লাকশিন্নবগী রিছার্চ হেন্না কনশিন্নবসু থৌরাং তৌরি। মরু ওইনা লায়না অসিবু থিংনবগী অমসুং ফহন্নবগী ভেক্সিনশিং পুথোকপগী রিছার্চতা মীৎয়েং থমগনি' হায়না কম্মিসনননা ফোঙদোকখি।

# য়ু এসকী লোমেকরশিংনা অহেনবা সেঙ্কসনশিং প্রপোজ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ : ইরানগী বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মথক্তা হেন্না কনবা অথিংবশিং থল্লক্কদবা বিল অমা রিপব্লিকান অমসুং দেমোক্রেটিক লোমেকর গ্রুপ অমনা সিনেটতা পুথোকখ্রে।

করিগুম্বা এপ্রুভ তৌরবদি অথিংবশিংদুনা প্রোগ্রামদুদা চেন্নরিবা অমসুং রিভোল্যুস্নরি গার্দশিংগা টেরর লিঙ্কশিং লৈনরিবা মীওই পুম্নমক্ত চৈথেং পীরগনি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখ্রে। লেজিসলেসন অদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতা ইরানদা নৎত্রগা লৈবাক অসিদগী অথিংবা পোৎশকশিং অমসুং খুৎলায়শিং পুথোক-পুশিন তৌবা, য়োনবা নৎত্রগা ত্রান্সফর তৌবদা চেন্নবা মীশকশিং নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিংগী লন-থুম থিংজিনবগী পৱারসু পীগনি হায়রি।

প্রপোজেল অদু শগোলশেল নুমিৎতা কম্মিটি ওফ ফোরন রিলেসন্সকী চ্যেরমেন বোব কোর্কর য়াওনা রিপব্লিকান তরেৎ অমসুং দেমোক্রেট তরেৎ পুন্না সিনেটর ১৪ না সিনেটতা পুথোকখি। সিনেটরশিংসিগী মতুং ইন্না, রিজোল্যুসন অদুনা ইরানগা য়ু এস য়াওনা লৈবাক তরুক্না কুমজা ২০১৫ দা পুরকখিবা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট অদুদদি খুৎ থিংজিল্লোই।

# লন্দন এটেক মতুংদা বেলজিয়মদসু মীরক্তা কার য়াংনা থৌজিনবা অমা ফাখ্রে



অন্টৱার্প (বেলজিয়ম), মার্চ ২৪ :

লন্দনগী এটেক মতুংদা বেলজিয়মগী হিথাংফম সিটি অন্টৱার্পতা লৈবা সোপ্পিং এরিয়া অমদা স্পীদ কন্না কার থৌজিনখিবা নুপা অমা শগোলশেল নুমিৎতা বেলজিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাখ্রে।

চেন্নবা হোৎনবদগী ফাখিবা সসপেক্ট অদু বেলজিয়মগী নোর্দন সিটি অদুদা ফাজিন্দুনা থমখি। প্রোসিক্যুটরশিংনা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা মোহম্মদ আর কৌবা মীওই অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখিবা সসপেক্ট অদুগী কারদুদা নোংমৈ অমা অমসুং ময়া থৌবা থাংনচিংবা খুৎলায়শিং য়াওরম্বা থেংনখি হায়রি।

নুপা অদু করিগুম্বা পোৎশক অমনা ঈথিল পীবা মীওইসু ওইখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না শিজিন্নরিবদু করম্বা পোৎশক্নো হায়বদুদি শেংনা খঙখিদে হায়না থৌদোক অদুগী মতাংদা চথবা ইনভেষ্টিগেসনগা নকশিন্নবা ছোর্স অমনা হায়খি।

ওথোরিটিশিংনা মদু এটেক অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমখিদে অমসুং থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না মশক মমিংশিং ফোঙদোক্লিংদবা বেলজিয়ন ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

বেলজিয়ন প্রোসিক্যুটরদুগী ওফিসনা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা মোহম্মদ আর কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙলবা মীওইদু ফ্রেঞ্চ পুলিসকী ছোর্স অমনা টুনিজন অমনি, লোনা য়াবা মওংদা বেলজিয়মগী বোর্দরগা নক্লবা ফ্রেঞ্চ সিটি লেন্সতা লৈবনি হায়না ফোঙদোকখি।


লেন্স সিটিদা মহাক্কী এদ্রেস অমা লৈ অমসুং হৌজিক ফাওবসিদা ঐখোয়না খঙবদা মহাক ক্রিমিনেল থবক কয়া চাউনা চথবা মীশক অমনি হায়না খঙনবগী মওং লৈতে হায়ন ছোর্স অদুনা ফোঙদোকখি।

'মমাঙগী মহাক্কী কনভিক্সনশিং য়ুথক্লগা গাড়ী থৌবা নৎত্রগা দ্রগ শিজিন্নবগুম্বা মাইনর ওফেন্সশিংগা মরী লৈনৈ। মহাক ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা খঙলবা এক্সট্রিমিষ্টশিংগী লিষ্টতা য়াওখিদে অমসুং ইনভেষ্টিগেসনগী অহানবগী ফাইনি দংশিংনা মহাক রেদিকেলগী ৱাখল চেলহল্লবা মীওই অমনি হায়না উৎপা লৈতে হায়না ছোর্স অদুনা মখা তাখি।

মহাক্না য়ুল্লোন্নরা লৈমিন্নবা পিয়েরি কমারেনো মহাক ফ্রন্ট তরক্লোম ৱাংই, খদাং কোই খাক্তে অমসুং নোংচুপলোমগী ফিজোলশিং শেৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

পেরিসকী ওর্লি এয়রপোর্টতা এটেকশিং চথখিবা অমসুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট মনাক্তা পাঙথোকখিবা মীহাৎশিংগী মতুংদা থৌদোক অদুনা মীয়ামবু মীপায়হনখি।

# ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনননা ভিজা পীবদা হেন্না কূপ্না য়েংশিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ : থোইদোক হেন্দে দাক্না কূপ্না স্ক্রুটিনি তৌবগী তঙাই ফদবা লৈবা তাং-দাংবা গ্রুপশিং মশক খঙদোক্লবা অমসুং ভিজাশিং পীবদা অকনবা ভোট্টিংগী প্রোসেস চত্থনবা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী দিপ্লোমেটিক মিসনশিংদা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে।

টুরিষ্ট অমসুং বিজনেস ভিজাশিং য়াওনা অমেরিকান ভিজাগীদমক এপ্লাই তৌরিবশিংদা মখোয়গী থবক অমসুং হৌখিবা চহী ১৫ লৈরকখিবা মখোয়গী ময়ুমগী অকুপ্পাশিং অমসুং মমাঙগী চহী মঙাদা মখোয়না শিজিন্নখিবা টেলিফোন নম্বর পুম্নমক পীননবা হায়রগনি হায়না সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না ইস্যু তৌবা দিপ্লোমেটিক কেবল অমনা হায়খি।

কেবল অদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মার্চ ৬ তা মুস্লিমনা মেজোরিটি ওইবা মুস্লিম লৈবাক ৬ কী মীওইশিংনা য়ু এসতা লাকপদা অথিংবা থম্বা রিভাইজ তৌরবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা সাইন তৌরবা মতুংদা থাখিবনি।

তারিখ ওইনা মার্চ ১৫ য়াওবা কেবল অদুনা হায়রি মদুদি, অহেনবা প্রোটোকোলশিং অসি ঈরাং থোকহনগদবা, ক্রিমিনেল নৎত্রগা টেররিষ্টকী থবক থৌওংশিং পাঙথোরকপা নৎত্রগা শৌগৎলকপা য়াবা মীরৈবাক মচাশিংবু য়ু এসতা চঙবা য়াহন্দনবগীদমক্তা চৎনহনগদৌরিবনি।

ক্লাসিফাইদ কেবল অদুনা য়ু এসকী মপানদা লৈবা দিপ্লোমেটিক পোষ্ট খুদিংমক্তা ফোরন নেসনলশিংদা ভিজাশিং ইস্যু তৌনবগী মপুং ফারবা ভোট্টিংগী প্রোসেস অমগী পথাপশিং খুদক্তা পুথোক্লবা খঙহনখি।

# অফঘান পিছ কনফরেন্সতা য়ু এস য়াওররোই

ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ : রসিয়ানা শিন্দুনা মোস্কোদা এপ্রিল ১৪ দা অফঘানিষ্টানগী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা পিছ কনফরেন্সতা য়ু এসনা য়াওরোই হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্সশিংদুনা শগোলশেল নুমিৎতা ঈ এফ ঈদা ৱাফমসিবু ফোঙদোক-খিবদা য়ু এসনা কনফরেন্স অদুদা য়াওরোইদৌরিবদুগী মরমশিংদি এক্সপ্লেন তৌখিদে।

অফঘানিষ্টানগী মথক্তা কনফরেন্স অদুদা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং ইরানগুম্বা লৈবাকশিংনা শরুক য়াগনি। স্পুটনিক ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না, কনফরেন্স অদুদা টালিবানসু শরুক য়ারোই হায়রি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা রসিয়ানা অফঘানিষ্টানদা পিছ লাকহন্নবগী মতাংদা পার্টি-তরুক্কী ওইবা মীফম অমা কৌখি। কাবুল অমসুং মোস্কোগী দেলিগেসনশিংগী মথক্তা মদুদা ইন্দিয়া, চাইনা, ইরান অমসুং পাকিষ্টান্না শরুক য়াখি।

# য়ু কে পার্লিয়ামেন্ট এটেক আই এস আই এসকী লান্মী অমখক্না পাঙথোকখিবা ওপরেসন ওইরম্লে

লন্দন, মার্চ ২৪ :

ৱেষ্টমিনষ্টরগী ময়ায় চবুকমক্তদা লৈবা য়ু কেগী পার্লিয়ামেন্টদা চথখিবা মীওই মরি হাৎখিবা টেরর এটেক্কী মতুং শগোলশেল নুমিৎতা লন্দন অমসুং বিরমিংহামগী মফম কয়াদা চথখিবা রেইদশিংদা পুলিসনা মীওই নিপান ফাগৎখ্রে।

এটেক অদুদা ইস্লামিষ্ট আইদিওলোজিনা ঈথিল পীখিবা অমসুং বৃটিশ সিক্রেট সার্ভিসেসনা হান্নদগী খঙলবা আই এস আই এসকী এটেক্কর অদুসু শিখিবনি।

বৃটিশ পুলিসনা এটেক্কর অদু চহী ৫২ শুরবা খালি মাসূদ কৌবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মখোয়না মহাক ক্রিমিনেল কনভিক্সন কয়া লৈবা তৌইগুম্বসুং টেররিজমগা মরী লৈনবা ওফেন্সশিংগীদমক্তা কনভিক্সন পীখিবদি লৈতবা মীওইনি হায়খি।

'নুপা অদু বৃটিশ মচা ওইনা পোকখিবনি অমসুং চহী খরগী মমাঙদা মহাকপু কা হেনবা থৌওং খরা চথখিবগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেট তৌখি হায়বসি ঐহাক্না কনফার্ম তৌবা ঙমই। মহাক হান্না এক্সট্রিমিষ্টকী থবক থৌওংশিংদা হকথেংননা চেন্নখিদ্রবসু নাকোয়ননা চেন্নবা মীশক ওইখি' হায়না প্রাইম মিনিষ্টর টেরিসা মেনা শগোলশেল নুমিৎতা মেম্বরশিংনা থন্না তিনখিবা হাউস ওফ কম্মন্সতা ফোঙদোকখি।

এটেক্কর অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱেষ্টমিনষ্টর থোংদা খোঙনা চৎলিবা মীয়াম মরক্তা কার থৌজিন্দুনা চথখিবা এটেক্তা মীওই অহুম শিখি অমসুং অতৈ ৪০ শোকখি।

মহাক্না মহাক্কী কারদুদগী কুমথরগা পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সকী মপানদা লৈবা পুলিস ওফিসর অমা থাংনা থিন্দুনা হাৎখি অমসুং মখা তানা থাংনা এটেক তৌনবা হোৎনরকপদা মহাকপুসু স্কোটলেন্দ য়ার্দকী ওফিসরশিংনা কাপ্তুনা হাৎখি।

চৈরকসিদা আই এস আই এসনা মসিগী প্রোপেগন্দা ন্যুজ এজেন্সি 'অমাক'কী খুথাংদা এটেক অদু কোলিসন লৈবাকশিংদা টার্গেট তৌনবা আপিল তৌখিবগী পাউখুম ওইনা 'কলিফেটকী লান্মী অমনা' পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

# মেডিটরিনিয়নদা অফ্রিকান রিফ্যুজি ২৫০ রোম শিরক্লগনি হায়না মীপাইনরি



জেনিভা, মার্চ ২৪ :

চেরিটি অমগী রেস্ক্যুগী হি অমনা লিবিয়াগী ঈশিং খোংবান মনাক্তা ঈশিংদা লূপ্লি-লূপ্লি তৌবা রব্বর দিংঘি অনীগী মনাক নক্না অশিবা হকচাং অনী থেংনখিবগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিৎতা অফ্রিকান মাইগ্রেন্ট ২৫০ হেন্না শিরক্লগনি হায়বগী মীপাইবা ফোঙদোক্লখ্রে।

য়ু এনগী রিফ্যুজি এজেন্সি (য়ু এন ঐচ সি আর) না হায়খি, স্পেনিস এন জি ও প্রোএক্টিভা ওপন আর্মসনা ওপরেট তৌবা হি গোলফো অজুরোনা লিবিয়াগী কোষ্টতগী মাইল ১৫ লাপথোক্না ঈশিংদা লূপ্লি-লূপ্লি তৌনা তাউরিবা দিনঘিশিংগী মনাক্তা অশিবা হকচাংশিং থেংনরে হায়রকখিবদগী এজেন্সি অসিদা মীওই কয়া ঈরাক্লদুনা শিরক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈরে।

'দিনঘিশিং অসিদা মীশিংনা থন্না তোংলমগনি হায়বা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা এক্সপ্লেনেসন লৈরোই হায়না ঐখোয়না থাজে অমসুং মখোয় শোয়দনা ঈশিংদা লূপখিবা মাল্লি' হায়না প্রোএক্টিভাগী স্পোক্সপার্সন লোরা লানুজানা এ এফ পিদা হায়খি।

মহৌশানা মী লল্লোনবশিংনা শিজিন্নবা নুংশিৎ কামশিনবা য়াবা রব্বরগী হিশিং অদু অমমমদা মাইগ্রেন্ট ১২০ দগী ১৪০ ফাওবা পুনৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

'চহী অমা হেনবরোমসিদা ঐখোয়না মীনা পুংথন থন্না তোংবা দিনঘিশিং নত্তনা অতৈ দিনঘি অমত্তা লমদম অদুদা উখিদে।' লানুজানা ঈশিংদগী লৌখৎলবা হকচাংশিংদু চহী ১৬ তগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অফ্রিকান নুপাশিংনি হায়খি।






## ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### Canara Bank Recruitment – 101 Manager, Application Security Tester & Various Vacancies – Last Date 05 April 2017

**Canara Bank Recruitment 2017**
Canara Bank invites application from Sportsperson for the post of 101 Manager, Application Security Tester & Various Vacancies. Apply Online before 05 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : CB / RP / 1 /2017
**Canara Bank Job Details :**

Post Name : Manager
No of Vacancy : 60 Posts
Grade Pay : Rs. 31705-45950/-
Post Name : Application Security Tester
No of Vacancy : 04 Posts
Grade Pay : Rs. 23700-42020/-
**Eligibility Criteria for Canara Bank Recruitment :**
Educational Qualification :
For Manager : Chartered Accountant/ MBA (Finance) / MMS (Finance) / Post Graduate Diploma with specialisation in Finance/ Economics Graduate and M.A (Economics)/ with a minimum 60% marks or Equivalent Grade or First Class (minimum 55% marks or equivalent Grade for SC / ST / PWD) with relevant experience.
For Application Security Tester : B.E. / B.Tech Degree or Post Graduate Degree in Computer Science/ Computer Technology / Computer Science & Engineering / Computer Engineering / Computer Science & Technology / Information Technology / Electronics & Communications with minimum 60% marks or Equivalent Grade or First Class (minimum 55% marks or equivalent Grade for SC/ST).
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & maximum age limit is 22 to 35 years for Manager & 20 to 30 years for Application Security Tester As on 01.03.2017
Age Relaxation : Other Backward Classes (Non-Creamy layer) candidates 3 years, Scheduled Caste / Scheduled Tribe candidates 5 years & ) Persons with Disabilities 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** The selection will be through Written Test, Group Discussion and/ or Interview.
**Application fee :** SC/ST/PWD candidates have to pay Rs.100/ - & Rs. 600/- for all other through Online by using Debit Cards, Credit Cards, and Internet Banking. and for the post of Manager Security candidates have to pay Rs. 100/- through NEFT.
**How To Apply Canara Bank Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http:// www.canarabank.com from 15.03.2017 to 05.04.2017. And for Manager Security candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents & application fee receipt send to The General Manager CANARA BANK Recruitment Cell, H R Wing, Head Office, 113/1, Jeevan Prakash Building, J C Road Bangalore – 560 002 on or before 12.04.2017.

**Important Dates to Remember:**
Starting Date for Submission of Online Application : 15.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 05.04.2017
Last Date for Submission of Application from : 12.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Links : http://www.canarabank.com/ media/4422/rp-1-2017-specialist-officers-advt-english.pdf
Download Application form Link : http://www.canarabank.com/ media/4423/rp-1-2017-specialist-officers-manager-security-application.pdf
Download Challan form Link : http://www.canarabank.com/ media/4424/rp-1-2017-specialist-officers-manager-security-payment-challan.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/cbrsvdstcmar17/

### State Bank Of India – SBI Recruitment – 255 Relationship Managers, Customer Relationship Executives, Investment Counsellors & Various Vacancies – Last Date 10 April 2017

**SBI Recruitment 2017**
State bank of India (SBI) invites Application for the post of 255 Relationship Managers, Customer Relationship Executives, Investment Counsellors & Various Vacancies for Wealth Management. Apply Online before 10 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : CRPD/SCO-WM/2016-17/21
**SBI Job Details :**
Post Name : Relationship Managers
No. of Vacancy : 120 Posts
Pay Scale : on CTC basis
Post Name : Customer Relationship Executives
No. of Vacancy : 65 Posts
Pay Scale : on CTC basis
Post Name : Investment Counsellors
No. of Vacancy : 25 Posts
Pay Scale : on CTC basis
**Eligibility Criteria for SBI Recruitment :**
Educational Qualification :
For Relationship Managers & Customer Relationship Executives : Graduate from Government recognized University or Institution.
For Investment Counsellors : Graduate/Post Graduate with AMFI/ NISM (Module V) certified from Government recognized University or Institutions.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 23 to 35 years for Relationship Managers & Investment Counsellors and 20 to 35 years for Customer Relationship Executives as on 01.03.2017
Age Relaxation : OBC (Non Creamy Layer) Candidate 3 years, Scheduled Caste/ Scheduled Tribe 05 years & Persons with Disabilities (PWD) 10 years.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on short listing and one or more rounds of Personal Interview.
**Application Fee :** SC/ST/PWD Candidates have to pay Rs.100/ - and Rs. 600/- for General and Others through online mode of fee collection i.e. Internet Banking, Debit Cards (RuPay/ Visa/ Master Card/ Maestro), Credit Cards, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.
**How to Apply SBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.sbi.co.in form 24.03.2017 to 10.04.2017 till 23.59, thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 24.03.2017
Last Date for Submission of Online Application form : 10.04.2017
Date for Payment of Application Fees/Intimation Charges : 24.03.2017 to 10.04.2017
**Important Links :** Detail Advertisement Link : https:// www.sbi.co.in/webfiles/uploads/files/14902710 25070_Wealth_Management_English.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/sbispwmfeb17/